# ‘তাঙ্খুলনা খ্বাইদগী পামজবা গেমসি ফুটবোলনি, উখ্রুল অসি ফুটবোলগীদি পৱর হাওসনি’

**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং**

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**



অলেঙ শিমরা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ ঃ মণিপুরগী মতম অমগী মশক নাইবা ফুটবোল শান্নরোয় ওইখিবা, লোয়ননা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা জোইন্ট দিরেক্টরগী ফমসু পুবিরম্বা ওজা অলেঙ শিমরানা ঙরাং অয়ুক খঙহৌদনা লৈখিদবদা হুইয়েন লানপাউনসু নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। ওজা অলেঙবু ইকায় খুম্নবা উৎচবা ওইনা কুমজা ২০১৩ গী মার্চ ২৪ দগী হৌরগা নুমিৎ খরনি উনজদুনা ৱারী শান্নজহৌবগী পাউদম ঙসি অমুক নৌহৌননা মীয়ামদা ফোঙদোকচরি।

মণিপুরগী ফুটবোল হৌরকপগী ৱারী নৈনরকপদা উখ্রুলগী তাঙ্খুল শান্নরোয়শিংনা লৌরম্বা থৌদাংশিং ঐখোয়না নাথৈরম্বা য়ারোই। কুমজা ১৯৫২ দা মণিপুর ফুটবোল টিম্মু নগাও ইন্দিপেন্দেন্স কপ ৱিন্নর ওইহনখিবদা শুপ্লতগী মীতৈ মচা অনীখক্তমক য়াওখি। প্লেয়র নিপানদি তাঙ্খুল শান্নরোয় ঙাক্তনি। নৌহৌননা নীংশিংলবদা তাঙ্খুল ফুটবোল্লরশিং অদুদি মথংশিংনা য়াঙখাহাও ফরেঙ, অবোই, রামিও, বাওরৈ, শঙম, শেঙখাও, লুঙশিম শৈজা অমদি মঙজাকাইনি। মীতৈ অনী অদুনা সৌগাইজম ধিরেন অমদি নিংথৌজম ব্রজমনি সিংহনি।

কুমজা ১৯৬০ দগী মশক নাইবা ফুটবোল শান্নরোয় ওইখিবা মীওই অদুদি অতৈ কনাসু নত্তে অলেঙ শিমরানি। মশামক শান্নরোয় ওইনা হৌরক্লগা ষ্টেট কোচ অদুদগী দেপ্যুটি দিরেক্টর, অরোইবদনা জোইন্ট দিরেক্টর ফাওবগী ফম ফাওবা পুবিরম্লবা ওজা অসিনা অহানবা ওইনা অসুম্না তাকপীরকখি, ঐসি উখ্রুলদগীনি অদুগা উখ্রুলসিদি মণিপুর ফুটবোলগীদি পৱর হাওসনি। ফজবা গ্রাউন্দ অমত্তসু লৈতবা উখ্রুলদগী ফুটবোল ফজনা শান্নবা তাঙ্খুল ময়াম অমা কুমজা ১৯৪০ দা লৈরম্বসি ঐদি ঙকই। ঐগী অশেংবা য়ুমসিনা তাঙগ্রে চর্চ রোদ উখ্রুল হায়বদুদগীনি। ঐগী পেরেন্টনা এন জি শিমরা অমদি পি শিমরানি। ইমা-ইপাদি লৌমী ঙাক্তনি। ইচিন ইনাওসু ঐখোয়গীদি নুপা তরুক নুপী অহুম পুন্না মাপননি।

ফুটবোল শান্নবা হৌরকপগী মতাংদনা ওজা শিমরানা অসুম্না হায়বীরকখি, ঐনা শান্নবা হৌরকপগী ৱারীশিংসি নীংশিংলুবদা য়াম্না নুংশি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা য়ঙমাসো সৈজা, লুঙশিম সৈজা মখোয়গা ঐখোয়গসি য়ূম খরা নক্লে। মখোয়না শান্নবসি ঐখোয়না ইহান হান্না উই। মতমদুদা মখোয়না কাওদুনা শান্নবা বোলদসু রবরগী বোলনি। ঐখোয়দি লাপ্তুক য়েংবনি, শান্ননিংবদি য়াম্না শান্ননিংই। শৈজাগী কাঙবুসি লাইরিক হৈবা ওজাগী ইমুং মনুং ওইনা তৌদুনা মখোয়দি মতমদুদা শেল পায়বা কাঙবুসু ওই। ঐগীদি ইমাসু ইপাসু লায়রবা লৌমী ঙাক্তনি। শান্নবগী ৱারী পনবসি মখোয়না পামদে। ৱারবসু লাইরিক ফজনা তম্লগা ওজা ওইদুনা নুংঙাইনা হিংহন্নিংই। অদুবু ঐদি ফুটবোল শান্নবসি য়াম্না পাল্লকখি।

বোলসি শান্নবা হৌরকপদা কমাইনা শান্নবগে হায়বদা ঐখোয় চীংমীনা চীংদা ঙা ফাবদা শীজিন্নবা জালিগী খাউ মচা অমা লৈ। মদুগী খাউদুদা ইমানা লৌবুক চৎপদা শীজিন্নবা খ্বাংচেৎ, কোকশেৎ ফি অমনবসি কন্না মতুম তাদুনা হাপচিল্লগা কন্না অমুক লংনা য়েৎশিল্লগা বোল শাদুনা শান্নরককি।

ফজনা কন্না শেল্লবদি নুমিৎ হুমনিগুম্বা শান্নবা য়াই। ঐখোয়গী সেনিয়র প্লেয়রশিংনা ইম্ফাল চৎলগা শান্নরুবগী ৱারী লীবসিদা কৈদৌঙৈ ইম্ফাল হায়বদু চৎপা ফংগদগে খনবদা ঙাইবা ৱাবসিদি খল্লুবদা য়াম্না নুংশি। অহলশিংনা ইম্ফালদা ঈশৈ ফজবা তারকপগী, সিনেমা নুংঙাইবা য়েংলকপগী ৱারী লীবদা ঐখোয়না নুংঙাইনা তাবা মতমসু লৈখি। ঐদি উখ্রুলগী গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা ক্লাস টেন ফাওবা তম্লকখি। অদুদগী দি এম কোলেজদা মখা তমথরকখি। হান্নদি ঐ সাইন্স লৌরকখিবনি। দি এম কোলেজদা তম্লিঙৈদসু হায় জম্প, হোর্স ষ্টেপ জম্প, দিস্কস থ্রোনচিংবদসু ঐগীদি রেকোর্দ ফজনা লৈবনি। ওল রাউন্দর ওইনা অতৈসু শান্নরকই।

ৱা অমসু তমগে, ইম্ফালদা লাক্লিঙৈদা উখ্রুলগী মহাদেব চীংদোলদগী ইম্ফাল সহর উবদা কয়ামুক চৎনীংবগে হায়বদা মদুদা খন্দুনা লৈবনি। স্কুল মীটতা কুমজা ১৯৬৮ অদুৱাইদা ওইগদ্রা হায়না খল্লি, উখ্রুলনা সি সি স্কুল থোইবা ঙম্বসি। হান্নদি সি সি স্কুলনা অদুম চেম্পিয়ন ওইবনি।

ঐখোয়দি ফজবা গ্রাউন্দদা শান্নবা ফংলকপসু নত্তে। ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুং অহানবা উবদা ঐনা নুংঙাইবসিদি, নাপীনা শংনা হৌরগা য়াম্লসু নান্না লৈরম্বদুদা পূক্লিং য়াম্না নুংঙাইখি। কুইনা বোলসি অদুম প্রেক্টিশ তৌরগা শান্নবনি। ঐখোয়গী সেনিয়র প্লেয়র য়েঙখাহাও (দ্রম), শঙম, ফরেঙ, বাওরৈ, রোমিও মখোয়দি খরা তোইনা ইম্ফালদা শান্নবসিসু ঐনা উই। য়েঙখাহাওদা ‘দ্রম’ থোনবীবসিসু মীতৈ মচাননি।

মহাক্না বোলসি দুঙ-দুঙ কাওবদুদা থোনবীবনি হায়। মানা কাওবা বোলদা ঐনা উহৌবসি কন্না কাওথোকখিদুনা ফায়র ব্রিগেটকী পুখ্রি ফাওবা য়ৌবা য়াম্না য়াওখিবনি। তাঙ্খুলদা ফুটবোল হৈবা লৈবগুম্না ঐখোয় মতমদা মীতৈ মচা মরক্তা হৈবসি ঐনা হায়নীংবদা ক্বাকৈথেলদগী নবসি য়াম্না হৈবনি। আসামদদি মাবু ‘গোল্ডন বোই’ কা কৌবনি। মানা কাওবসিসু য়াম্না ফজে। -মথং-মথং



মরিশুবা নেসনল স্কুল চেম্পিয়নশিপ দিল্লি - ১৯৫৮

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ১৮

1. ৱিমব্লেদন বোইজগী চেম্পিয়ন ওইবা অহানবা এসিয়ন মচা অদু কনানো?
2. মণিপুরদা পাঙথোকখিবা কুমজা ১৯৯৯ গী নেসনল গেমস হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী নোংথোম্বম মায়পাক সিংহনা মৈরা চুখৎখি। কুমজা ১৯৮৫ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা (নেহরু ষ্টেদিয়মদা) নেসনল গেমস হৌদোকপগী থৌরমদা কনানা মৈরা চুখৎখি?
3. কুমজা ১৮৯৬ তা এথেন্সতা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসগী মরাথোনগী অরাপ্পা অদু কয়ানো?
4. World Wild Life Fund গী কো ফাউন্দর ওলেম্পিক্কী মেদল ফংখিবা নুপা অদু কনানো?
5. ফোসবুরি ফ্লোপ (Fosbury flop) হায়রগা করিবু খঙনবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ০২, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।



## হরিচরন ফুটবোল টুর্নামেন্টদা জিলগাল য়ুথ ক্লবনা এন এল সি মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা টিম ১২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১২ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ অন্দর ১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ফোর এন হরিচরন ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা জিলগাল য়ুথ ক্লব মায় পাকখ্রে।

লক্ষ্মী বজারদা লৈবা এন সঙ্করনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপগী মিংদা কৎলিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা জিলগাল য়ুথ ক্লবনা এন এল সি গোল ১০-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাল্লবা জিলগাল য়ুথ ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদুগী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না মিকুপ নাহুমশিংনা অমসুং কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা এন এল সিগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া মিকুপ কাংদনা চথখি।

জিলগাল য়ুথ ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা হেনখিবা মরম্না টিমদুগী শান্নরোয়শিংনা চথরকখিবা এটেক কয়াদা এন এল সিগী শান্নরোয়শিং ককঙাওনখি। চাউনা মায় পাল্লবা জিলগাল য়ুথ ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা দোমিনেট তৌখিবা মেচ অদুদা টিমদুগী শান্নরোয় ফিলিপনা গোল মঙা মেচকী ২৮, ৩১, ৪৮, ৬২ অমসুং ৬৯ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি। টিমদুগী শান্নরোয় জেমসনা গোল অনী মেচকী ৭ অমসুং ৯ শুবা মিনিটতা চনখি। ভেংনৈশাংনা গোল অমা মেচকী ১২ শুবা মিনিটতা, লালমাংশোংনা গোল অমা মেচকী ১৫ শুবা মিনিটতা অদুগা ষ্টেফেন্না গোল অমা মেচকী ৪৩ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ১০ শুখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং প্রিলিমিনরি লীগকী অরোইবা মেচতা এল এফ সি অমসুং এল ঐচ ৱাই সি অনীনা শান্নরগনি।

## য়োগেশ্বর দত্তগী সেম্পল হান্না টেষ্ট তৌরবা মতুং শিলভরদা ওনখৎকনি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩১ ঃ ষ্টার ইন্দিয়া রেষ্টলর য়োগেশ্বর দত্তনা কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক্সতা ফংখিবা ব্রোঞ্জ মেদল অদু শিলভরদা ওনখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্কী সেম্পল অদু ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না টেষ্ট তৌদুনা অথিংবা থমখ্রবা দ্রগ শীজিন্নে নৎত্রগা শীজিন্নদে হায়বদু য়েংশিনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী গ্রেপ্লর অসিনা লন্দন গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। অদুবু গেমস অদুদা শিলভর মেদল লৌখিবা রসিয়াগী লৈখিদ্রবা বেসিক কুদুখোবনা অথিংবা থমখ্রগা দ্রগ শীজিন্নরম্বদগী মহাক্কী মেদল অদু মাঙজখি।পুদুখোবনা ফংখিবা শিলভর মেদল অদু ইন্দিয়াগী গ্রেপ্লর অসিদা পীরগনি হায়না য়ু দব্লিয়ু দব্লিয়ুনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা ওফিসিএল ওইবা কনফার্মেসন ঙাইবগা লোয়ননা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টোপ ওফিসিএলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০১২ গী গেমসতা য়োগেশ্বর দত্তগী লৌখিবা সেম্পল অদু টেষ্ট তৌরবা মতুং দ্রগ শীজিন্নদে হায়বা খঙলগা মেদল অদু শিন্নগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা ওফিসল অমনা হায়খি, য়োগেশ্বরগী সেম্পল অদু টেষ্ট তৌগনি অমদি মহাক্কী দোপ টেষ্ট অদু দ্রগ শীজিন্নদে হায়বা তশেং তশেংনা খঙলবা মতুং মঙোন্দা শিলভর মেদল অদু শিন্নগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাদানা নৌনা থোকখিবা নিয়ম অমগী মতুং ইন্না ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অমদা লৌখিবা সেম্পলশিং অদু চহী তরা চুপ্পা থম্বগা লোয়ননা অনৌবা মেথদশিং শীজিন্নদুনা সেম্পলশিং অদু দ্রগ শীজিন্নব্রা নৎত্রগা শীজিন্নদব্রা হায়বদু খঙদোক্নবা টেষ্ট তৌনবা খোঙথাং লৌখৎখিবনি। মসিনা শান্নবগী লমদা দ্রগ শীজিন্নদবা তশেং তশেংবা এটমোফিয়র অমা পুরক্নবা হোৎনবদা মতেং ওইগদৌরিবনি।

ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিনা কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক অমসুং কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা লৌখিবা শান্নরোয়শিংগী সেম্পলশিং অমুক হন্না টেষ্ট তৌবগী থবক চথরিবনি।

অনৌবা রুল অসিগী মতুং ইন্না অতোপ্পা ইন্টরনেসনলগী টুর্নামেন্টশিংদসু শান্নরোয়শিংগী সেম্পলশিং লৌদুনা টেষ্ট তৌবগী থবক পায়খৎলি।

রসিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মরিরক ওইখ্রবা অমদি ওলেম্পিক মেদলিষ্ট অনীরক ওইবা ঙমখ্রবা পুদুখোবনা কুমজা ২০১৩ দা থোকখিবা কার এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদবনি। অদুবু লন্দন গেমসতা লৌহৌখিবা মহাক্কী সেম্পল অদু অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলম শীজিন্নরম্বগী খুদম ফংখি। টেষ্ট অদু ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না পাঙথোকখিবনি।

## এথলেটিক মীট

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ ঃ মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক এসোসিএশন (এদহোক কম্মিটি) না শিন্দুনা চহীসিগী ওক্তোবর থাগী অরোইবা চয়োলদা মণিপুর মার্ষ্টরস এথলেটিক মীট ২০১৬ পাঙথোক্লগনি হায়না এদহোক কম্মিটিগী চ্যেরমেন লৈশাংথেম অজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ষ্টেট মীট অসি মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ২১ দগী ২৫ ফাওবা কেরলাগী ত্রিভান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৮ শুবা নেসনল মাষ্টরস এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবা এথলেটশিং খন্নবগী ত্রাইএল সেলেক্সন ওইগনি। ষ্টেট মীট অসিদা শরুক য়ানিংবা মাষ্টর এথলেটশিংনা অকুপ্পা মরোল এসোসিএশন অসিগী চ্যেরমেন এল অজিৎতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## মণিপুর ষ্টেট লীগ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা) না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চথরকপা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৬ কী মেচশিং নোংনা মরম ওইদুনা গ্রাউন্দগী ফীভম ফত্তবদগী ঙরাংদগী য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা অদুগী মখা তারকপা ওইনা জেনরেল ষ্ট্রাইক্লচিংবা কয়া লৈরকপনা লীগ অসিগী মেচশিং মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়রি।

## দিল্লি দাইনামোসনা মার্কোসকা খূৎয়েক পীনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩১ ঃ হান্নগী রিএল মেদ্রিদকী মীদফিল্ডর মার্কোস টেবার রামিরোবু লাক্লিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগকী সিজন অসিগীদমক দিল্লি দাইনামোস ফুটবোল ক্লবতা শান্ননবা খূৎয়েক পীনখ্রে হায়না ক্লব অসিনা লাউথোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা দিফেন্সিব-মীদফিল্ডর অসিগা খূৎয়েক পীনদুনা ক্লব অসিদা শান্ননবা পুশিল্লকখিবনি। মার্কোসনা মহাক্কী ফুটবোলগী কেরিয়র অসি রিএল মেদ্রিদকী প্লেয়র ওইনা হৌরকখি। মহাক্না মেদ্রিদতা লৈবা ক্লব অসিগী একাদেমিদা লৈরক্তুনা ফুটবোল প্লেয়র অমা ওইরকখিবনি। মহাক্না ইংলিস চেম্পিয়নশিপকী সাইদ ব্রেনফোর্দতা শান্নরমখি। মহাক্না বি টিমদা মেচ ৯৪ শান্নখ্রে অমদি সেনিয়র টিমদা অমুরক শরুক য়াদুনা সি এ ওসাসুনাগা লম্বা তৌদুনা শান্নখ্রে।

## গভর্ণরস ত্রোফি টেনিস চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ ঃ মণিপুর টেনিস এসোসিএশন্না শিন্দুনা ১৫ শুবা গভর্ণরস ত্রোফি টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ সেপ্তেম্বর ৮ দগী ১১ ফাওবা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিসর ক্লব টেনিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা সেপ্তেম্বর ৬ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী চহী ১০, ১২ অমসুং ১৪ মখাগী সিঙ্গলস ইভেন্ট পাঙথোক্কনি।



HL-B/3286/ 31 Aug., 2-28 Sept. alt.



HL-B/3252/08/08-07/09






HL-B/3284/29/8-28/09